# ভর্মি কম্পোষ্ট অমসুং মসিগী কান্নবা



## এস সুমঙ্গোল সিংহ

**লৈবাক** লৈহাও চেনবা হায়বসি লৈবাক অদুগী মওং-মতৌ, লৈবাক্তা য়াওরিবা অশিন-অয়াক্কী চাং, লৈবাক্তা য়াওরিবা ওর্গানিক্কী ওইবা পোৎলমশিং অমসুং লৈবাক্তা য়াওবা তোঙান-তোঙানবা মখলগী পান্থী অমসুং অহিংবা জীবশিংগী মখা পোল্লি। লৈহাও লৈনবগীদমক লৈবাক্তা অপীকপা মখলগী জীব অমসুং পান্থীনা হিংদুনা লৈবা ঙম্নবা লৈবাক্তুদা ওর্গানিক্কী পোৎলম কয়া চাং চানা য়াওবা দরকার ওই। লৈবাক্তা অফবা মখলগী ওর্গানিক্কী ওইবা হার হাপ্লগা খূৎশেমগী পান্থেনা লৈহাও চেলহনবা য়াই। হার মখল খুদিংমক্কী মহুৎ শিল্লক্লিবা হারশিংগী মনুংদা ভর্মি কম্পোষ্ট অসিসু অমনি।

ঐখোয়গী অকোয়বদা ফংলিবা উনা-ৱানা, মনা-মশিংগী লেমহৌখাক অমদি শা-ষণগী মথী-ময়ুং পৎথ- পুমথহন্নবা পান্থে অমা ওইরিবা ভর্মিটেক্নোলোজিদা অপীকপা মহিকশিং অমসুং তিন্থ্রোক শীজিন্নে। টেক্নোলোজি অসিনা লৈবাক লৈহাওগী ফীভম ফগৎহনবদা য়াম্নমক মতেং পাংই।

তিন্থ্রোক্না শা-ষণগী মথী-ময়ুং অমসুং মনা-মশিং চাথোক্লগা হার ওন্থোকপগী থৌওং অদুবু ভর্মি কম্পোষ্টিং কৌই। মসি য়াম্না লায়না শেলসু চংদনা পায়খৎপা য়াবা থৌওং অমনি।

**ভর্মি-ৱাশ ঃ**

ভর্মি-ৱাশ হায়বসি তিন্থ্রোক য়োকপা হৌরবা মতুং নুমিৎ ৪০গী মতুংদা ভার্মি কম্পোষ্টিং য়ুনিটতগী থোক্লকপা মহি অদুবুনি। মহি অসি পান্থীদা কান্নরবা হার য়াম্না য়াওই।

**ভর্মি কলচর ঃ**

তিন্থ্রোক মচীঞ্জাক পীজরগা য়োক্তুনা মশীং য়ামথোকহনবগী থৌওং অদুবু ভর্মি কলচর হায়না খঙনৈ।

**তিন্থ্রোক মখল ঃ**

ঐখোয়গী লমদমসিদা মহৌশাদগী লৈরক্লবা তিন্থ্রোক মখলশিং অসি মচীঞ্জাক য়াম্না চাদে। মরম অদুনা মথী-ভর্মি কম্পোষ্ট পুথোক্লবগীদমক মচীঞ্জাক য়াম্না চাবা লমদমসিগা চুনবা মখলগী তিন্থ্রোক য়োকপীগনি। মপান লমদগী পুশিল্লকপা লমদমসিদা চানবা মখলগী তিন্থ্রোক মখলশিংদি অফ্রিকান নাইট ক্রেৱলর আর্টৱার্ম (Eudrilus euginae) অমসুং রেদ ৱার্ম (Eisenia foetide)নি।

**হার শেম্বা য়াবা পোৎলমশিংঃ**

মশা মথন্তা পৎথজবা ঙম্বা পোৎলমশিং অমসুং হু চেন্দবা ওর্গানিক পোৎ-চৈ খুদিংমক ভর্মি কলচর অমসুং ভর্মি কম্পোষ্টিংদা শীজিন্নবা য়াই। মরুওইনা ভর্মি কম্পোষ্টিংদা ষন্থী-ষণয়ুং, ইশ্খোলগী মনা-মশিংগী অরেম্বা, উনা-ৱানা, চে ফত্তবা, লশিংফি, বাইও গ্যাস স্লরি অসিনচিংবা হাপ্পীগনি।

**য়োকফম শেম্বা ঃ**

ঈ নৎত্রগা চরুনা কুপ্পা শঙদা ভর্মিকম্পোষ্টিং তৌবনা/তিন্থ্রোক য়োকপনা খ্বাইদগী ফৈ। হার শেমগদবা মফম অদু মিটর মখায় অমদগী অমফাওবা পাকহনগনি। অশাংবদি দরকারগী মতুংইন্না শাংহনগনি। হায়বদি কাদুগী মতুং ইনগনি। অমসুং লৈমায়দগী সেন্টিমিটর ৩০দগী ৪০ফাওবা ৱাংহনগনি। মনুংদা হাপচিল্লিবা পোৎশিং অদু তিন্থ্রোক্না চাথোকখ্রবা মতুংদা অহেনবা মহিশিংদু মচি অমদা চিথখিনবা মায়কৈ অমরোমদা খজিক্তং ঙমথহনগনি। অদুগা অহোবা মখুল মচা অমা লৈমায়গা তাইনহনবদা হুৎপীগনি। খরা শাংবা টেঙ্কি ওইরগনা অহোবা মখুল ৪-৫ খরা লন্তক লন্তক্না হুৎপীগনি। মপাল্লোমদা চিথরক্লিবা মহিশিংদু মাঙহন্দনা পুন্না লৌথোকপা য়ানবা দ্রেন মচা অমা শেম্বীগনি। মহিশিং অদু তুংশিন্নবগীদমক টেঙ্কি মচা অমা চনবীবনা খ্বাইদগী ফৈ।

**হার শেমগদবা পোৎশিং শেম-শাবাঃ**

ভর্মি কম্পোষ্টিং য়ুনিট অমদা হাপকদবা পোৎ-চৈশিং অদুগী প্লাষ্টিক, য়োৎ, গ্লাস, সেরামিক্স, নুংনচিংবা তুম্বদা ৱাগদবা অমসুং তিন্থ্রোক্না চাবা ঙম্লোইদবা পোৎলমশিং খন্দোকপীগনি। হাপকদবা পোৎশিংদু খরা চাউবা পান্থীশিং ওইরবদি তিন্থ্রোক্না চাবদা অমদি মথক-মখা ওনবদা লায়নবা খরা তেন্না ককপীগনি। পোৎলমশিং অদু নুংশাদা নীংথিনা ফৌদোকপীগনি। মসিনা মহিক মতাই য়াওবশিং হাত্তোকই। অমসুং মনম চেলহন্দে। ঙম্লবদি লায়না তীলনা তাবা মনা-মশিং য়াওরবদি মদু চাদা ৪গী মপাঙ্গল কনবা নিম মহিদা লুপকনি।

**ভর্মিকম্পোষ্টিং করম্না তৌগনিঃ**

১) টেঙ্কিগী খ্বাইদগী শাংবা মখা থংবা লৈরোলদা চেক মতেক অমসুং লৈঙোইনা ইঞ্চি ২দগী ৩ থানা থাগনি।

২) মথংদা হোম হোম লাউবা লৈবাক লৈরোল অমা ইঞ্চি ৬তগী ৮ফাও থানা হাপ্পীবা ফৈ।

৩) থা অমা ফানা পুমথরবা ওর্গানিক্কী পোৎলমশিংগা ষন্থীগা য়ান্নরগা ইঞ্চি ২দগী ৩ফাওবা থানা হাপকনি। অমদি হাপকদৌরিবা পোৎ চৈশিং অদু চোৎ-চোৎ লাউহনগনি। মসিদা তিন্থ্রোক হাপচিনবা য়ারে।

৪)স্কার মিটর অমগী এরিয়াদা তিন্থ্রোক লীশিং অমা হাপ্পনা য়াম্না চানবা চাং ওই।

৫) তিন্থ্রোক হাপখ্রবা মতুংদা পৎথ-পুমথরবা মনা-মশিং অমসুং ষন্থী-ষণয়ুংগী লৈরোলনা ইঞ্চি ৭তগী ৯ফাও থানা মচীঞ্জাক ওইনা হাপ্পীগনি। চোৎ-চোৎ লাউনা লৈনবা ঈশিংসু চাং নাইনা চাইবীগনি।

৬)নুমিৎ মরিনি খুদিংগী পৎথবা ঙমগদবা মনা-মশিংশিং ইঞ্চি ২দগী ৫ ফাও থানা হাপকনি। অমদি পোৎলমশিং অদুগী অৱাংবনা সেন্টিমিটর ৬০ য়োদ্রিফাওবা হাপকনি। লোয়ননা মথক্তা বোড়ানা কুপকনি।

৭) মতম খরা লৈরগা মথক থংবা মরোলদা চা মনা অকংবা মানবা তিন্থ্রোক মথীশিং লৈবা উরবদি হার ওইনা লৌথোকপীবা য়ারে।

৮) হার লৌথোকপা মতম য়ৌরকপদা মাংজৌননা নুমিৎ ৭-৮নি ফাওবা ঈশিং চাইবা লেপ্পীগনি। মতমসিদা তিন্থ্রোকশিং মখা থংবা লৈরোলদা চংখিবা থেংনগনি। লোয়ননা হারশিং অদু লৌথেক্তুনা নিকথোকপীবা য়ারে।

৯) হার লৌথোকখ্রবা মতুংদা হান্নগুম্না মনা-মশিং অমসুং ষন্থী হাপ্পা য়ারে। থৌওং অসি নুমিৎ ২৫দগী ৩০ নি মতুংদা অমুক অমুক পাংথোকপীগনি। থা তরুক্কী মতুংদা তিন্থ্রোক্না পোৎশিংদু লোইনা চাথোক্তুনা হার ওলহনবা ঙম্মী।

১০) হার অদুদা য়াওরিবা ফত্তবা/তুমদবা পোৎশিংদু নিকথোক্তুনা খন্দোক্লগা প্লষ্টিক্কী বেগতা হানবা য়ারে।

**ভর্মি কম্পোষ্টতা য়াওবা হারগী চাং ঃ**

ষন্থী-ষণয়ুং নৎত্রগা অতৈ কম্পোষ্ট মখলশিংদগী তিন্থ্রোক্কী হারনা পান্থীনা দরকার ওইবা মচীঞ্জাক য়াওবগী চাং য়াম্না হেল্লি।

নাইট্রোজেন - ১.৫ তগী ৩.০% ফাওবা

ফোসফরস - ১.৮ দগী ২.২ % ফাওবা

পোটাস - ১.৫ তগী ২.৪% ফাওবা

কেলসিয়ম - ০.৫দগী ১.০ % ফাওবা

সলফর - ০.৪ দগী ০.৫% ফাওবা

আইরন - ০.৪ দগী ১.৫% ফাওবা

মেগনিসিয়ম - ০.২ দগী ০.৩% ফাওবা

হায়রিবা মচলশিং অসি নীংথিনা য়াওই। মসিগী মথক্তা কোপ্পর, জিঙ্ক, মেঙ্গাননিজনচিংবা কয়াসু য়াওই।

**ভর্মি কম্পোষ্ট শীজিন্নবগী কান্নবা ঃ**

১) ইমুং-মনুংগী ফত্তবা, মনা-মশিংগী লেমহৌবা কয়া হার ওন্থোক্তুনা অকোয়বগী ফীভম মোৎহন্দে।

২) খূৎশেমগী হার শীজিন্নবা হন্থহল্লি নৎত্রগা শীজিন্নদ্রবসু য়াই।

৩) অতৈ হারদগী ভর্মি কম্পোষ্টনা পান্থীগী মচীঞ্জাক মচল হেন্না য়াওই।

৪) ভর্মি কম্পোষ্ট মতম শাংনা হাপ্পনা লৈবাক লৈহাওগী অমদি লৈশাগী ফীভম ফগৎহল্লি।

৫) ভর্মি কম্পোষ্ট হাপ্পা পান্থীশিংনা হাপ্তবশিংদগী মশা-মউ ফবা অমদি মহাও লৈবা হেল্লি।

৬) ভর্মি কম্পোষ্টতা মিনরেল অমসুং অতৈ কান্নরবা ইলিমেন্ট কয়া মরাং কায়না য়াওই।

৭) শেল য়াম্না চংহন্দনা ইরায় লায়না য়ূমগী মচী-ময়া য়েনখাগুম্বদা পায়খৎপা য়াই।

ভর্মি কম্পোষ্ট শীজিন্নবা ভর্মি কম্পোষ্ট অসি মখাদা পীরিবা চাং অসিদা শঙম অমগী লৌফমদা শীজিন্নবা য়াই-

| সে: নং: | মহৈ মরোং | চাং(শঙমদা) |
|---|---|---|
| ১) | সেরিএল ক্রোপ - ফৌ, চুজাক | টন ২-৩ |
| ২) | হৱাই | টন ২ |
| ৩) | থাউ থোকপা পান্থী | টন ৩-৫ |
| ৪) | স্পাইসেস ক্রোপ | টন ৪ |
| ৫) | মনা-মশিং | টন ৩-৪ |
| ৬) | উহৈ-ৱাহৈ পান্থীদা | কে জি ২-৩ |
| ৭) | কেশ ক্রোপ | টন ৫ |
| ৮) | লৈ গল্লা | গ্রাম ১০০ |
| ৯) | অচৌবা পান্থী অমদা | কে জি ১-১০ |

**ভর্মি কম্পোষ্ট শেম্বদা চেকশিনগদবশিং ঃ**



তিন্থ্রোক্না শেম্লবা ভর্মি কম্পোষ্টকী হার পৈশিন্দুনা থম্লগা য়োনবা

১) ভর্মি কম্পোষ্ট তৌগদৌরিবা মফম অদু লৈমায়দগী খরা ৱাংহনগদবনি। অমদি নোংজু-নুংশা, ঈশিং অমদি নুংশিৎনা হকথেংননা য়ৈহল্লোইদবনি।

২) ঈশিং তুংহল্লোইদবনি। অমদি মতম চুপ্পদা চাদা ৪০সগী ৫০ গী চাং ফাওবা চোৎ-চোৎ লাউনা থমগনি।

৩) অইং-অশাগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী ২০দগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা লৈহনগনি। মপান্দা সেলসিয়স দিগ্রী ৪০ শারবসু মফম অদুদি উরুম লাংহন্দুনা অমদি ঈশিং চাইবিদুনা দিগ্রী ৩০দগী ৩৩ ফাওবগী চাংদা থম্বীগনি।

৪) তিন্থ্রোক্তু ককচেং চংদুনা চাথোক্তুনা মাঙখিদনবা হোৎনগনি। মসিগীদমক থম্ফমগী অকোয়বদা ঈশিং তুংহনবা নালা শেমগনি।

অসুম্না তিন্থ্রোক য়োক্তুনা শেল তান্নবা মঅদি অফবা চীঞ্জাক পুথোক্তুনা, লৈবাক লৈহাও কন্ননবা হোৎনদুনা, হৌজিক্কী অমদি তুংগী মীরোলগী য়াইফনবা হোৎনরসি॥

# পেন্সনরশিংনা তঙাইফদনা খঙজিনবীগদবশিং

## বীরেন্দ্র লাইশ্রম

**মীওইবা** অমা ওইনা পোক্লবদি নোংমদি শোয়দনা তঙাইবঙপান অসি থাদোক্লমগদৌরিবনি, অসুম্না সরকারগী থবক অমা তৌরুরবদি নোংমা শোয়দনা ওফিস অদু থাদোক্লম্লগা পেন্সনদগী থাগী ফংলকপা শেনফমনা পুন্সি অসি লেনগদৌরিবনি।

থবক্তগী পোত্থাবা মতুংদা থাগী তলবকী মহুত্তা থাগী পেন্সন ওইনা ফংনবগী চৈরক্তা ঐখোয়না মতম চানা পেন্সন লৌনবগী প্রোগ্রেস তৌহৌদবা তারবদি পেন্সন ফংবগী মতম শুকশোয় শোয়দনা তপথগনি। অদুনা শেন থুমগী অৱাবা মায়োক্লবগা লোয়ননা পাঙ্গল, মতম অমসুং ৱাখলসু ৱাহল্লি।

মরম অদুনা মতম চানা, ইশানা ওফিস অদুদা লৈরিঙৈ, ঙাঙবা শকপদা মীনা খরা তাবিরিঙৈদা পরপ পরপ হোৎনহৌগদবনি।

হৌজিক চৎনরিবা পেন্সন রুলগী মতুং ইন্না থবক তোক্কদবা থা ৮ গী মমাঙদা ইশানা থবক তৌরিবা ওফিস অদুনা রুল ৫৯ (১) (সি) অমসুং রুল ৬১ (১)গী মখাদা ফোর্ম ফাইব থবক তোক্কদৌরিবা মীওইদগী পার্টিকুলর খরা লৌগনি।

ফোর্ম থ্রীদনা ইশানা ইশাগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগী মিং, চহী পোকপগী তারিখ, রিলেসনশিপ মেনশিল্লগা ইশানা পীশিনগনি। মসিদগী মখা তারকপা থবক পুম্নমক ওফিসকী মীওইশিংনা তৌজখ্রগনি।

থবক তোক্কদৌরিবা ঐখোয়না খরা চেন চোংদুনা মাগী মথৌনি, ওফিসনা তৌগদবনি হায়বা থিদনা তৌবা য়াবা খরা পনবা তারবদা :-

১) থবক তোক্কদবা থা ৬ কী মমাঙদা রিটিয়রমেন ওর্ডর থোকহনবা।

২) রিটিয়রমেন ওর্ডরগী কোপি য়াওহল্লগা সরকারগী শেন তোন্দে তাক্লবা ষ্টেট ওফিসারদগী ক্বার্টরদা লৈ লৈতেগী চিঠি অমা থাহনবা।

৩) মথক্কী অসিগা চপ মান্ননা পি:ডি:এ: দগী লোনগী শেন তোল্লি তোন্দেগী চিঠি অমা থাহনবা।

৪) ইশাগী সার্বিসবুক অদু মরি লৈনবা ওফিসারনা ভেরিফিকেসন তৌহনবা।

৫) ইশাগী ফোটো অমসুং ইমুং-মনুংগী অপুনবা ফোটো অহুম (৩) ওফিসতা পীশিনবা।

৬) প্রোভিজনেল পেন্সন, গ্রেটুটি, হাউসিং লোন, গাড়ি লোন, গবর্ণমেন্টকী দিউ লৈ লৈতে হায়না ইবা ষ্টেটমেন অমা।

৭) ইশাগী মিং, লৈফম, কুচু কুমেন, মশক তাকপা য়াবা দাগ। শমবুনচিংবা ইবা দেসক্রিপতিব রোল কৌবা অমা।

৮) স্পেসিমেন সিগনেচর অহুম থংননা ইবা চে অমা।

৯) খূৎ-শা মঙামক্কী ইমপ্রেসন।

১০) কনসেন সর্টিফিকেট কৌবা পে হেন্না লৌরম্বা, লানবদগী পেন্সন হেন্না পীথোকখিবা পুম্নমক পেন্সন্দগী ককপদা ইশা য়াই হায়না ইবা চে অমা।

১১) পেন্সন কালকুলেসন সিট।

অসুম্না মথক্তা পনখ্রিবা চে-চাং অসিগা, মেনশিল্লবা ফোর্ম থ্রী, ফাইব, আইট, সবেন অমসুং সর্বিসবুক পূল্লগা পেন্সন পেপর হায়না খঙনৈ। মসি হেদ ওফ দি ওফিসনা এ:জি: (এ:ই) দা থারক্কদবনি। হেক ফংবদগী থা অহুমগী মনূংদা লোইগনি হায়না এ:জি: ওফিসকী সিটিজেন চার্টরদা ইদুনা মীয়ামদা খঙহল্লি। ৱানোম্বগী মথৌ তাদে। মথন্ত থা অহুম ফাওবা য়ৌদনা লোইবা য়াওই।

মণিপুরদা লৈরিবা দিপার্টমেন্টশিংনা পেন্সন পেপর অসি থা ৩ গী মমাঙদা এ:জি: দা থানবগীদমক লোয়শিন্নবা হোৎনবদা মতম য়াম্না চঙবগী মরম খরা নৈনবা য়াই।

পেন্সন ঙন্না, থবক তোক্ত্রিঙৈদা থাবা ঙমদবগী ওইবা য়াবা মরম নৈনদ্রিঙৈদা থবক তোকপা মতমদা ফংগদবা কান্নবশিং অদু করি করিনো, মদু ফংনবা হোৎনবদা পেন্সন পেপর হান্না এ:জি: দা থাদোকখিবনা করি অকায়বা লৈবগে হায়বসিনি।

ফংগদবা কান্নবশিং অদুদি –

১) পেন্সন: বেসিক পেগা গ্রেদ পেগা পূল্লগা তঙ্খাই অদুনা পেন্সন ওই। হয়েং পৈশা ফংবা মতমদদি ট্রেজরিনা মতম মতমগী ডি:এ: হাপচিল্লগা পীরক্কনি।

২) গ্রেটুইটি : বেসিক পেগা গ্রেদ পেগা ডি:এ: গা অপূনবা অদুগা সার্বিস তৌরকপগী চহীগী তঙ্খায়গা পুরিরগা তারকপদুনি। থা (৩) দগী হেনবা থা (৯)দি য়ৌদবনা চহী তঙ্খায়নি হায়না লৌগনি; থা (৯)হেনবনা চহী অমনি হায়না লৌগনি। হৌজিক্কি ওইনদি গ্রেটুইটি অসি লুপা লাক্ষ (১০) দগী হেনবা য়াদে।

৩) কোম্মুটেসন : লৌনিংলগনা তোঙানবা চেনা অনীগুম্বগী ফোর্ম অমা চঙই। ফংগদবা শেনফমনা পেন্সনগী চাদা (৪) দগী হেন্দনা সরেন্দর তৌরগা হায়রিবা চাদা নিম্ফুগী শেনফম অদুগা তরানিথোইগা কোম্মুটেসন ফেক্টরগা পুরিরগা তারকপা শেনফম অদুনি। কোম্মুটেসন ফেক্টর হায়বসি থবক তোক্কদৌরিবা মী অদুগা মথঙ চহীদা শুবা মশাগী চহীগা মরী লৈনৈ ॥




# লুহোংদ্রিবী অমদি লুখ্রাবী নৎত্রগা খাইনরক্লবী মচানিঙোলশিংদা ফেমিলি পেন্সন

## চোংথাম নন্দা দেবী

ঐখোয়না আইন হায়রগা অরায়বা ৱাহন্থোক্তা মীয়াম্না য়ানরবা অফবা চৎনবীশিং অদুনি হায়না লৌবা য়াই। আইন হায়বসি মখল য়ামই। ভারতকী আইন কাঙলোন/চৎন কাঙলোনগী মখাদা মফম-মতমগা চান-চানবা আইনশিং শেমদুনা মতীং লৈবা আইন ওইনা চৎনবা য়াই। অসুমনা শেম্বা আইনশিংগী মনুংদা নুপীগী ওইবা, অঙাংগী ওইবা, অহলশিংগী ওইবা অমদি অতোপ্পা থবক থৌরমশিংগী ওইবা আইন মরোল মরোল শেমখ্রে।

নুপীশিংতগী ওইবা আইন কয়া অমসু শেমদুনা ঐখোয়গী লমদম অসিদসু চৎনরি। নুপীশিংনা ক্রাইম তৌরুবা, নুপীশিংদা ক্রাইম থোকহনবা অসিনচিংবশিংদগী নুপীবু ঙাক শেন্নবা আইনশিং লৈরে। অসিদসু নত্তনা মমা-মপানা থন্বীরম্বা পোৎলম খূদিংমক্তা নুপীশিংনা ফংগদবা শরুক্কী মরমদা মরী লৈনবা আইনসু লৈরে। মমাঙঙৈদদি অসিগুম্বা আইনশিং অসি ময়েক কয়া শেংনা লৈরমদে হায়বা য়াই। শম্না হায়রবদা আইন কাঙলোনদা নুপীশিংগী মপাঙ্গল ইকন কল্লমদে। মরম অসিনা লমদমসিগী নুপীশিং অয়াম্বা মমিৎ মমায় পাঙবদা অৱাবা কয়া মায়োক্লহন্দুনা লৈরম্মী। অসিগুম্বা অৱাবশিং অসিদগী হৌজিক হৌজিক্তি নাম্থোক্লবা পাম্বে য়াম্না লৈরে হায়বা তাই।

কনাগুম্বা মমা নৎত্রগা মপা অদুনা গভর্নমেন্টকী লোয়শঙশিংদা থবক তৌরম্বা নৎত্রগা পেন্সন ফংলম্বা ওইরবদি হায়রিবা মমা নৎত্রগা মপা অদুনা শিখ্রবা মতুংদা মখোয়গী লুহোংদ্রিবা মচানুপী নৎত্রগা লুখ্রা ওইরবী মচানুপী নৎত্রগনা খাইনদুনা মপামদা লৈরবী মচানুপীনা ফেমিলি পেন্সন ফংবা য়ারে হায়না ফাইনান্স দিপার্টমেন্ট, গবর্নমেন্ট ওফ মণিপুর (পে ইমপ্লিমেন্টেসন সেল) না মেমোরেন্দম অমা থোকখ্রে। চেরোল অসিমক্তি নুপীশিংদা য়াম্নমক কান্নরবা চেরোলনি। চেরোল অসি কুমজা ২০১১ গী মেগী তারিক ১৭ দা থোকখিবনি। মসিগী মনুংদা শুগায়না ইরিবদি — মমা-মপা অদুনা থবক তৌনা তৌনা নৎত্রগনা পেন্সন ফংলবা মতুংদা জান্যুৱারী থাগী তারিক ১, ২০০৬ ইং অসিমক্তদা শিখিবা নৎত্রগনা মসিগী মতুংদা শিখিবশিং অদুদগী চৎনবা হৌগনি। অদুগা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী চীফ জুদিসিয়েল মাজিষ্ট্রেট অমদগী ওর্দর অমা লৌগদবনি। মসিগা লোয়ননা ওর্দর অদু হেক ফংবা থা অদুদগী পেন্সন ফংবা হৌগদবনি। অসিদা নত্তনা অকূপ্পা মরোল কয়া অমসুং য়াওরি।

চেরোল অসিগী মমাঙদদি অসিগুম্বা খুদোং চাবশিং অসি মচানুপীশিংদা পীরমদে। মসাগী চহী তরানিপান শুদ্রিবা মচা নুপা নৎত্রগা নুপী নৎত্রগা লৈখিদ্রবা অদুনা নুপা ওইরগনা মাগী লুখ্রাবী নুপী অদুগা লৈখিদ্রবা অদুনা নুপী ওইরগনা মাগী পাখ্রা নুপা অদুনা ফেমিলি পেন্সন ওইনা ফংনরম্মী। চেরোল অসি হেক থোকপদগীদি শেন্থোক লন্বী লৈজদবা মচানুপীশিংনা মপুন্সি চুপ্পা অমদি লুহোংদ্রিবী মচানুপীশিংনা চহী তরানিপান হেনখ্রবসু মহাক্লা লুহোংদ্রিবা ফাওবদি ফেমিলি পেন্সন ফংদুনা মহৈ মশিং তম্বা নৎত্রগা মশাগী শেন্থোক লন্বী ওইবদা মতেং পাংনবগী লন্বী অমদি মচানুপীশিংদা তম্বা খূদোলনি হায়বা য়াই।

অদুগা অসিগুম্বা খুদোং চাবশিং অসি ফংনবগীদমক মথক্তা হায়রিবা মচানুপীশিংনা আইনগা মরী লৈনবা মীওইশিংগী মতেং লৌদুনা ফংবা য়াই। ফী পীদুনা উকিল অমা হায়নরগা খুদোংচাবশিং ফংনবা হোৎনবসু য়াই। নৎত্রগনা লেমনা শেল তিংদনা উকিল অমা হায়নবগী খুদোংচাবা অদুসু লিগেল সার্বিসেস ওথোরিটিনা পীরি। ইজরিবা অসিদদি য়াম্নমক মচা খায়না মরোলশিং ইজদ্রে। শল্লপনা খঙমিন্নবা য়াবা খরদং ইজবনি। নুপীশিংগীদমক ফংলিবা/পীরিবা খুদোংচাবশিংগী মনুংদা অনৌবা পেন্সনগী মরোল অসিসু অমনি হায়বা অদুখক ঐখোয় খুদিংমক্না পুন্না খঙমিন্নবদা মতেং খরদং পাংজবনি ॥

**খঙহঞ্জবা**

**পাউ চে অসিদা হাপ্পনবা মতম-মতমগী ৱারেং/শৈরেং/ৱারীমচা/চিঠিনচিংবা থাবিরকপশিংনা থাবিরক্লিবা অইবা অদু খূৎই নৎত্রগা নমথোক্লবা কোপি ওইনা পীবিরকউ। লোয়ননা ইবিরকপা মতমদা লামায় নাম্মতমক ইবিরকউ।**

**জেরোক্স কোপি ওইনা পীবিরকপশিংগীদি হাপ্পনবা খন্নজরোই। অদুগা ইবিরিবশিংগী মিং, লৈফম অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা হাপ্পীরকউ।**

*— হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স*